ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
Refreshingly Readable
HL
The messenger of the masses
হুইয়েন লানপাও

এগ্রিকলচর মিনিষ্টর ভি হংখালিয়ান অমসুং এগ্রিকলচর দিরেক্টর ফৈরোইজম রাজেন্দ্রোনা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী এগ্রিকলচর ওফিস য়েংশিনবগী শক্তম

বোমগী এটেকতা শোক্লবা কম্যান্দোগী পার্সনেলশিং ৱার্ক্স মিনিষ্টর টি ঐচ বিশ্বজিৎ, দি জি পি, এল এম খৌতেনা লুচিংবা টিমনা হোস্পিটালদা য়েংশিনবা

শিংজমৈ সাপম লৈকায় কম্যুনিটি হোলদা সেদোনা শীন্দুনা পাঙথোকপা আই-এমগী ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্টকী মতাংদা মীয়ামগী খন্ন-নৈনবা মীফমগী শক্তম অমা

মণিপুরগী দিষ্ট্রিক্ট ৮ দগী মহৈরোয় ১০/১০ খনগৎলগা এস এস এগী ষ্টেট প্রোজেক্ট ওফিসনা শীন্দুনা শিরুই ফেষ্টিবেল য়েংহন্নবগীদমক মিনিষ্টরনা লমথাবা

Vol. 41, Issue No.056 | থাংজ, কালেন ২৪ নি পানবা, | অপুনবা লামায় মশিং ১২ | HUEIYEN LANPAO, | Saturday, May 20, 2017, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50

অ ঈং-অশাগী পাউ

মফম	খ্বাইদগী শাবা	খ্বাইদগী ঈংবা
বিষ্ণুপুর	এন এ °C	এন এ °C
চান্দেল	৩২.৮৬ °C	২২.৪০ °C
সীসীপুর	২৯.১৫ °C	১৮.৭৭ °C
ইম্ফাল	২৯.৯২ °C	২০.৫০ °C
সেনাপতি	২৭.১৩ °C	১৯.১৮ °C
তমেংলোং	৩০.২৭ °C	২২.১০ °C
থৌবাল	এন এ °C	এন এ °C
উখ্রুল	২০.৩২ °C	১৪.৫৭ °C
মণিপুর	৩২.৮৬ °C	১৪.৫৭ °C

মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ২.৭২ এম এম
নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৪.২৮
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৫.৫৪
দিরেক্টোরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্ট,জি ও এম

মিনিষ্টরশিং অহিং লেক্কবা খঙহনখ্রে

ন্যু দিল্লি, মে ১৯ (এজেন্সী) : অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিংদা লাকপা মিনিষ্টরশিং তঙাইফদনা অহিং অমা লেক্কদবনি হায়না প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ফোঙদোকখ্রে। থাখায় খুদিংগী য়ুনিয়ন মিনিষ্টরশিং অৱাং নোংপোক্তা চৎনবা প্রাইম মিনিষ্টরস ওফিসনা খঙহনখ্রবা মতুংদা অনৌবা থৌরাং অসি লৌখৎলকপনি। প্রাইম মিনিষ্টরগী পাউতাক মতুং ইন্না হৌখিবা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা হৌদোকখিবা শিরুই লিলি ফেষ্টিবেলদা শরুক য়ানবগীদমক য়ুনিয়ন মিনিষ্টর হয়েং মণিপুরদা লাক্কদৌরি।

ইন্দিয়া স্পোর্টস সঙ্গ মণিপুর ব্রাঞ্চ

ইম্ফাল, মে ১৯ : ইন্দিয়া স্পোর্টস সঙ্গ মণিপুর ব্রাঞ্চ লাক্লিবা মে ২১ দা ইন্দিয়া স্পোর্টস সঙ্গগী নেসনেল প্রসিদেন্ট সুনিল গুপ্তনা ইম্ফালদা লাক্তুনা হাংদোক্লগনি। ইন্দিয়া স্পোর্টস সঙ্গ মণিপুরগী কনভিনর কোইজম রামকৃষ্ণনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, লাক্লিবা মে ২১ দা নোর্থ এ ও সীদা লৈবা হোটেল ক্লাসিক্তা পাঙথোক্কদৌরিবা ইন্দিয়া স্পোর্টস সঙ্গ মণিপুর ব্রাঞ্চ হাংদোকপগী থৌরম অসিদা বি জে পি (নেসনেল কোর্দিনেটর মিদিয়া সেল) দিনেস উপদ্যাসু শরুক য়াগনি।

FOREX (INDIA RUPEES)

FOREX NAME	INDIAN RUPEE
Euro	72.244369
US Dollar	64.597510
British Pound	84.089647
Australian Dollar	48.078193
Chinese Yuan Renminbi	9.375588
Japanese Yen	0.580744
Malaysian Ringgit	14.947345
Nepalese Rupee	0.626480
Russian Ruble	1.132716
Singapore Dollar	46.597509
South Korean Won	0.057695
Thai Baht	1.878971
Myanmar Kyat	0.04701
Bangladesh Taka	0.80084

Spot Gold (24K) Rates/10gm

Chennai	–	Rs 29529.41
Mumbai	–	Rs 30245.99
Delhi	–	Rs 30481.28
Kolkata	–	Rs 30064.17

HL POLL

Q : Tha asigi 25 da vote thadanagadouriba Manipur gi Rajya Sabha gi meekhalda cross vote tougadra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q : Meekhalda voter singda lupa crore mayam thadakhibadu MLA singna katthokkhrabani louramgadra?

Yes 08% No 92%

অস! লোইরেহে!

ট্যুসনগী চৎনবীসিবু ফরিব্রা...!

ꯇ꯭ꯌꯨꯁꯅꯒꯤ ꯆꯠꯅꯕꯤꯁꯤꯕꯨ ꯐꯔꯤꯕ꯭ꯔꯥ...!



মহৈরোয়গীদি খঙদ্রে, ওজাগীদি ময়ুম পংৱাংদা ৱাংখৎলে...!

ꯃꯍꯩꯔꯣꯏꯒꯤꯗꯤ ꯈꯉꯗ꯭ꯔꯦ, ꯑꯣꯖꯥꯒꯤꯗꯤ ꯃꯌꯨꯝ ꯄꯉꯋꯥꯡꯗ ꯋꯥꯡꯈꯠꯂꯦ...!

জি এস টি কাউন্সিলনা টেক্সকী চাং লেপখ্রে

কোকতৈ থাউ, সাপোন, টুথ পেষ্ট, ইলেক্ট্রিক শীজিন্নবগী টেক্স হন্থরগনি

ন্যু দিল্লি, মে ১৯ (এজেন্সী) :

জুলাই ১ দগী হৌনা লৈবাক্কী মফম শীনবা থুংনা চৎনগদৌরিবা গুদস এন্দ সার্ভিসেস টেক্স (জি এস টি) রেজিমগী মখাদা লৌগদবা টেক্সকী চাং জি এস টি কাউন্সিলনা লেপখ্রে।

শ্রীনগরদা নুমিৎ নীনি চুপ্পা জি এস টি কাউন্সিলগী মীফম পাঙথোল্লবা মতুংদা ফাইনান্স মিনিষ্টর অরুন জেটলিনা হায়খি, চহীদা লুপা লাখ ৫০ ফাওবগী টর্ন ওভর ওইবা রেষ্টোরেন্টশিংদগী চাদা ৫ টেক্স লৌরগনি। নন-এ সী রেষ্টোরেন্টশিংদনা চাদা ১২ গী চাংদা টেক্স লৌগদৌরি। লিকর লাইসেন্স পায়বা এ সী রেষ্টোরেন্টশিংদগী চাদা ১৮ জি এস টি লৌবগা লোয়ননা ফাইব ষ্টার হোটেলশিংদগী চাদা ২৮ গী চাংদা টেক্স লৌরগনি। রেস ক্লব, শেল থানফম (বেটিং) অমদি সিনেমা হোলশিংদগীসু চাদা ২৮কী চাংদা জি এস টি লৌরগনি।

রেভিন্যু সেক্রেটরি হসমুখ অধিয়ানা হায়খি, ইকনমি ক্লাসতা এরোপ্লেন তোংবা মীওইশিংদগী চাদা ৫গী চাংদা জি এস টি লৌবগা লোয়ননা বিজিনেস ক্লাসকী ওইনদি চাদা ১২ লৌরগনি। সনাগী মতাংদদি চপ চাবা টেক্সকী চাং লেপথোকপা ঙমদ্রি। জুন ৩ দা অমুক হন্না জি এস টি কাউন্সিলগী মীফম পাঙথোক্তুনা ৱাংহৌরিবা পোৎলম অমদি সার্ভিসশিংগী মতাংদা লৌগদবা টেক্সকী চাং লেপকদৌরি।

য়ুনিয়ন ফাইনান্স মিনিষ্টর অরুন জেটলিনা লুচিংবা জি এস টি কাউন্সিলগী মীফমদা লৌখিবা ৱারেপ মতুংইন্না নুমিৎ খুদিংগী মীয়াম্না শীজিন্নরিবা চেঙ অমদি গেহুনচিংবা পোৎলমশিং জি এস টিনা কোনশিল্লোইদবা মরম্না হায়রিবা পোৎলমশিং অসিগী মমল হোংথরগনি। ষ্টেট খরদদি হৌজিক-হৌজিক হায়রিবা পোৎলমশিং অসিদা ভেল্যু এদেদ টেক্স (ভি এ টি) লৌরিবনি। তোঙান-তোঙানবা পোৎলম ১,২১১ গী মনুংদা শুপ্পগী ৬ খক নৎতনা পোৎলম খুদিংমক্তা লৌগদবা টেক্সকী চাং লেপ্পা ঙল্লে হায়না পাউমীশিংদা জেটলিনা ফোঙদোকখি।

পেক্কেটতা হাল্লগা য়োল্লিবা চানথক্লবা পোৎলমশিংগী মতাংদা লৌগদবা জি এস টিগী চাং কোন্না লেপকনি হায়রি। পান মসালা, গুটখা শীজিন্নরিবা মীওইশিংনা চাদা ২০৪ গী চাংদা টেক্স থীবগী মথৌ তারগনি। অদুমওইনমক মীয়াম্না নুমিৎ খুদিংগী শীজিন্নরিবা কোকতৈ থাউ, হকচাং সাপোন অমদি টুথ পেষ্টনচিংবা পোৎলমশিংগী মমল হন্থরগনি। ইলেক্ট্রিসিটিগী বিলসু হন্থরগনি।

সী সী ১,২০০কী মখাদা লৈবা পেট্রোলনা চেনবা কারশিংদা জি এস টিগী চাং চাদা ১ লৌরগনি। সী সী ১,৫০০ কী...

...মখা লামায় ৩ কলম ২

মচং ওইবা ৱা

- পান মসালা, গুটখা শীজিন্নরিবা মীওইশিংনা চাদা ২০৪ গী চাংদা টেক্স থীবগী মথৌ তারগনি।
- জর্দা অমসুং ফিল্টর খৈনীগী ওইনা চাদা ১৬০গী চাংদা টেক্স লৌগদৌরি।
- এম এম ৬৫ শাংবা অদুগা এম এম ৭০ য়ৌদবা ফিল্টর য়াওদবা চুরুটশিংগী ওইনদি মচৈ ১,০০০ দা লুপা ২,৮৭৬ লৌবগা লোয়ননা চাদা ৫গী চাংদা টেক্স লৌরগনি।
- সিগরেটকী ওইনদি চাদা ২৯০গী চাংদা টেক্স লৌগদৌরি।
- সী সী ১,২০০কী মখাদা লৈবা পেট্রোলনা চেনবা কারশিংদা জি এস টিগী চাং চাদা ১ লৌরগনি।
- সী সী ১,৫০০ কী মখাদা লৈবা দিজলনা চেনবা গাড়ীশিংদনা চাদা ৩গী চাংদা টেক্স লৌরগনি।
- সী সী ৩৫০ দগী হেনবা মোটোর সাইকলশিংদা লৌগদবা টেক্সকী চাং চাদা ৩ ওইরগনি।

পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরি সুসিন্দ্রো বোমগী এটেকতা নান্থোকহৌরে

বোমগী এটেক্তা পার্সনেল ৪ শোক্লে



ইম্ফাল, মে ১৯ (ঐচ এন এস) :

তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা ক্বাথা মনাক্তা ঙসি নুংথিল পুং ১.২০ রোম তারকপদা শকখঙদবশিংনা বোম পোকখায়হন্দুনা চথরকপা এটেকতা মণিপুর লৈঙাক্কী পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরি (হোম) লৈশাংথেম সুসিন্দ্রো (য়াইমা) নান্থোকহৌরে।

বোমগী এটেক অদুদা পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরি অসিবু ঙাক শেন্নবা চৎপা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিস কম্যান্দোগী পার্সনেল ৪ শোক্লে। মখোয় মরিগী মনুংদা পার্সনেল অনীগী ফীভম লুনা লৈরি হায়না হোস্পিটালদগী ফংবা পাউনা হায়রি।

থৌদোক অসি ঙসি নুমিৎয়ুংবা মতুং পুং ১.২০ রোম তাবদা থোকখিবনি। ক্বাথাদা লৈবা পান্থোইবী অমসুং নোংপোক নিংথৌ হরাওবগী থৌরমদা শরুক য়ারুরগা খুল অদুদগী থোরকপগী লম্বীদা বোম পোকখায়হনবগী থৌদোক অদু থোকখিবনি।

থৌদোক থোকফমদগী ফংবা পাউনা হায়, ক্বাথা খুলদগী কিলোমিটর ২ রোম নেসনল হায়ৱে রোমদা থোরকপগী লম্বীদা মাঙজৌননা আর ও পি চৎপা ইম্ফাল ইষ্টকী পুলিস কম্যান্দোগী জিপসি অনীদা এটেক অদু চথরকখিবনি। এটেক অদু লম্বীগী নাক-য়েৎ অনীমক্তগী মতম অমুক্তদা চথরকখিবনি। নাকল অনীমক্তগী পোকখায়রকপা বোমগী শাফুনা পুলিস কম্যান্দোগী জিপসি অদুসু অকায়-অতোয় থোকখি। বোম পোকখায়হন্দুনা চথরকপা এটেক অদুদগী ঙাকথোকচনবা এস্কোর্ট কাঙবুনা নোংমৈ রাউন্দ কয়ামরুম কাপখি।

থৌদোক অদুদা শোক্লবা কম্যান্দো পর্সনেলশিং অদুদি ইম্ফাল ইষ্টকী তোপ খোঙনাংখোংদা লৈবা নাওরেম বিশ্বনাথ (৩১) অপোকপা এন বিরমনি, অন্দ্রো খুনৌ লৈকায়দগী হৌজিক্কা অন্দ্রো অৱাং লৈকায়দা লৈবা সরুংবম গৌরহরি (৩৭) অপোকপা লৈখিদ্রবা এস কার্তি, কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা থাংখনফাই খুনদগী লালমিন্থাং মাতে (৩৩) অপোকপা লৈনৈথাং মাতে অমসুং নহারুপ হুইরেম ...

...মখা লামায় ৩ কলম ৪

চীফ মিনিষ্টরনা কন্দেম তৌরক্লি

ইম্ফাল, মে ১৯ (ঐচ এন এস) :

তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা এন ঐচ টুগী ক্বাথা লমখায় এরিয়াদা মণিপুর পুলিস কম্যান্দোদা এটেক চথরক্তুনা অশোক অপন নংহল্লকখিবা থৌওং অদু মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন্না কন্দেম তৌই হায়না চীফ মিনিষ্টরগী সেক্রেটরিয়েটতগী থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি। চেরোল অদুনা হায়, ক্বাথা লমখায়দা এটেক চথরকখিবা অদুদা পুলিস পর্সনেল কয়া অশোক অপন নংহনখিবা অদু য়াম্না লাইবক থিবা থৌদোক্লি। অসিগুম্বা থৌওং অসি পাংদবগী মওংনি। খুন্নাই অসিগী সেক্সন খুদিংমক্না কন্দেম তৌফম থোকই। অশোক অপন নংলবা মীওইশিংনা অথুবদা ফগৎলক্লবা থৌনিরি। এটেক অসিগী মতাংদা মতিক চাবা এক্সন লৌখৎকনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্টকী মতাংদা খন্ন-নৈনবগী মীফম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ১৯ (ঐচ এন এস) :

ইন্দিয়া গভর্ণমেন্ট অমসুং এন এস সী এন (আই-এম) অনীগী পিছ টোকনা মণিপুরদা খুন্দামিন্নরিবা মীওইশিংদা পীরিবা চৈথেং হায়বা হীরম অসিদা খন্ন-নৈনবগী মীফম অমা শিংজমৈ সাপম লৈকায় কম্যুনিটি হোলদা ঙসি সোসল ইনভাইরোনমেন্ট দিভলপমেন্ট ওগর্নাইজেসন (সেদো)না শীন্দুনা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা লৈশাংথেম বিরজিৎ রিটয়ার্দ দেপ্যুটি দিরেক্টর এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্ট, অরিবম রাজেনতোম্বী ভাইস প্রসিদেন্ট, সেদো, অরিবম ফোনি এদভাইজর সাপম লৈকায় লোকল দিভলপমেন্ট কম্মিটি, সুনিল করাম ভাইস প্রসিদেন্ট য়ু সী এম, মঞ্জিৎ সরাংথেম প্রসিদেন্ট এমসু অমসুং ৱাই রতন হ্যুমেন রাইটস ইনিসিএটিবকী প্রসিদেন্টনা প্রসিদিয়ম মেম্বরশিং ওইখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাঙবদা সুনিল করামনা হায়খি, ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা নাগা খক্কী য়েংলগা মণিপুর থুগায়নবা হোৎনরক্লবদি তুমিন্না লৈরোই। ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্টনা মণিপুরদা মতম শাংনা খুন্দামিন্নরক্লবা চহী ২০০০ হেনবগী পুৱারীদা শীংনদুনা ফুরুপশিংবু তোঙান তাহন্নবা হোৎনরক্লবদি মদুগী মায়োক্তা মণিপুরগী মীয়াম্না ৱার্নিং তৌরি। মহাক্না মখা তানা হায়খি, নাগাগী য়ুনিক হিষ্টরি ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা মশক খঙলে হায়বসি য়াম্না খুদোংথীনিংঙাই ওইরিবনি। নাগাগী য়ুনিফিকেসন হিষ্টরি হায়বসিদা মণিপুরগী নিংথৌগী মখাদা লৈরমদে হায়বা ৱাফম অমা লাক্লে। নাগাশিং নীংতম্না হিংলক্লবনি, চীংগাতমগা মরী লৈনদে হায়রবনিনা মণিপুর কায়নবগী মচাক ওইরে। নীংশিংবা থোক্তুবা মতমদগী লিশাং শীংনা নিংথৌ পানবা মনীং তম্বা লৈবাক অমা লৈরকপনি। বৃটিশ লাক্লবা মতুংদগী ইন্দিয়াদা মণিপুর তিনখিবনি। মসিগী পুৱারী কাল্লগা মণিপুরগী মখাদা লৈরক্তে হায়বসি চুমগদৌরিব্রা। অফবা য়ুমলোন্নবা ওইনা লৈমিন্নসি হায়রকপদা ...

...মখা লামায় ৩ কলম ২

চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন ন্যু দিল্লিদা ফুটবোল বেল্লুন লোঞ্চ তৌবদা শরুক য়াখ্রে

& YOUTH AFFAIRS
GOVERNMENT
OF INDIA

ইম্ফাল, মে ১৯ (ঐচ এন এস) :

চহী অসিগী ওক্টোবর ৬ তগী ২৮ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ফিফা অন্দর-১৭ ৱর্ল্ড কপ ইন্দিয়া ২০১৭ কী য়ুম্বু ওইবগা মরী লৈননা মিনিষ্ট্রি ওফ য়ুঠ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টসনা শীল্লগা ঙসি ন্যু দিল্লিগী কোননাউট প্লেসতা ফুটবোল বেল্লুন লোঞ্চ তৌবগী থৌরমদা ফুটবোল প্লেয়র অমা ওইনা হৌরকখিবা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেন চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়াখ্রে।

ফুটবোল বেল্লুন লোঞ্চ তৌবগী থৌরম অদু হৌদোকপদা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট স্পোর্টস ভিজয় গোয়ল, শক্লাইরবা ক্রিকেটর মোহম্মদ খের অমদি মমিং লৈরবা বোক্সর বিজেন্দর সিংহসু শরুক য়াখি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টরনা হায়খি, মণিপুরগী ফুটবোল টেলেন্টপু শকখঙবীদুনা ঐহাকপু থৌরম অসিদা শরুক য়াবা ফংহনবীবা অসি থাগৎলি। লাক্কদবা অথুবা মতমশিংদা মণিপুরসু ফিফাগী ভেন্যু অমা ওইরকপা য়াবগী থাজবা লৈ। ফুটবোল হায়বা মশান্না অসি হকচাং ফনা থম্নবা হোৎনবদসু য়াম্না কান্নবা অমনি। হৌজিক্কী মতম অসিদা হকচাং শাজেল তৌবগী চাং ৱাৎলকপা, চীঙ্গাক্তগা অহোংবা লাকপা, একাদেমীক পার্ফোর্মেন্সতা অকনবা পেসর লাক্লি। অদুবু লৈবাক অসিগী অঙাংশিংবু হকচাং ফনা থম্নবসু হোৎনগদবনি। ফুটবোল মশান্না অসিনা হৌরক্লিবা অঙাংশিংবু মশা ফনা থম্নবা হোৎনবদা মতেং ওইহনসি।

চহী অসিদগী পন্দিত দিন দয়াল উপদ্যাগী ...

...মখা লামায় ৩ কলম ২

ব্লোকেদকী মতাংদা য়ু এন সীগা ৱাফম অহুমদা য়ানবা পুরকখ্রে

ইম্ফাল, মে ১৯ (ঐচ এন এস) :

য়ুনাইটেদ নাগা কাউন্সিল (য়ু এন সী)না নেসনল হায়ৱেদা নুমিৎ ১৩০ হেন্না শাংনা কৌখিবা ইকনমিক ব্লোকেদকা মরী লৈননা পাঙথোকপা নাকল অহুমগী ওইবা ৱারী শানবগী মখা চথরকপা ওইনা সেনাপটি দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টরসতা লৈবা দি আর দি এ কনফরেন্স হোলদা মীফম পাঙথোকখ্রে।

সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদা মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফেয়র্সকী জোইন্ট সেক্রেটরি (নোর্থ ইষ্ট) সত্যন্দ্র গার্গ; মণিপুর লৈঙাক্কী ওইনা চীফ সেক্রেটরি ও নবকিশ্বর, এদিসনেল চীফ সেক্রেটরি (হোম) ডা. জে সুরেশ বাবু অমসুং কম্মিস্নার (ৱার্ক্স) কে রাধাকুমার লোয়ননা য়ুনাইটেদ নাগা কাউন্সিলগী প্রসিদেন্ট গাইদোন কামৈ, কাউন্সিল অসিগী জেনরেল সেক্রেটরি এস মিলন, ওল নাগা ষ্টুদেন্ট'স এসোসিএসন মণিপুরগী প্রসিদেন্ট সেথ সটসং অমসুং নাগা ৱিমেন'স য়ুনিয়নগী প্রসিদেন্ট অশা ৰুংনমনা শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা ৱারী শানবগী থৌরমদা মরুওইবা ৱাফম মরি য়ানবা পুরকখি।

মমাঙগী ৱারী শানবদা অহানবা পোইন্টতা য়ানখিবা ৱাফম ঙসিগী মীফম্না নৌনা অমুক অয়াবা পীখি। হায়রিবা ৱাফম অদুদি, মেমোরেন্দম ওফ অন্দরষ্টেন্দিং মরি অমসুং ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা থাজবা পীখিবগী মায়োক্তা লৌখৎলকপা থৌরাংনা মরম ওইরগা য়ুনাইটেদ নাগা কাউন্সিলনা ইকনমিক ব্লোকেদ কৌখিবনি হায়বা ৱাফম রিকগ্নাইজ তৌরে হায়বসিনি।

ঙসিগী মীফমনা য়ানখিবা অতে ৱাফমশিং অদুদি, মথং রাউন্দগী পোলিটিকেল থাক্কী ৱারী শানবদা মণিপুর লৈঙাক্কী মীহুৎ য়াওহনবা, অনৌবা দিষ্ট্রিক্ট শেন্দ্বগী মতাংদা য়ানবা পুরক্ত্রিঙৈগী মমাঙদা মণিপুর গভর্ণমেন্ট অমসুং য়ুনাইটেদ নাগা কাউন্সিলনা মমাঙগী মার্চ ১৯ দা পাঙথোকখিবা নাকল অহুমগী ৱারী শানবদা য়ানখিবা ৱাফম ঙাক্না চৎপা অমসুং থা ১গী মনুংদা মথং রাউন্দগী ৱারী শানবগী থৌরম সেনাপটিদা পাঙথোকপা হায়বসিনি।

চুড়াচান্দপুর জে এ সীগী ৱাফম য়ু সী এমনা য়ানিংদবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, মে ১৯ (ঐচ এন এস) :

জোইন্ট এক্সন কম্মিটি এগেনষ্ট এন্টি ট্রাইবেল বিল (জে এ সী এ এ টি বি) না মে ১৮ দা লোকল প্রিন্ট অমদি ইলেক্ট্রোনিক মিদিয়াদা ফোঙলকখিবা ৱাফম অমগী মতাংদা য়ুনাইটেদ কম্মিটি মণিপুর (য়ু সী এম)না ৱাফম কয়ামরুম ফোঙদোরক্লি।

য়ু সী এমগী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিক রিলেসন্স সেক্রেটরি লৈশেম্বা লৈমাবনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, খুদোংচাবা লৌনবা হোৎনবা মীওই খরগীদমক ঐখোয় মশেলগী মরক্তা চমম্নবা অমসুং ৱাখল তানহন্দবগী থৌদোক থোকহন্নবা জে এ সীগী ৱাফম অদু ফোঙলকখিবনি।

মণিপুর প্রেস ক্লবতা কংলৈ ইমা লূপকী ৬শুবা ফাউন্দেসন দে নুমিৎতা য়ু সী এমগী প্রসিদেন্টনা পীখিবা ৱারোলগী মতাংদা চেরোল অসিনা হায়, হৌজিক ওইরিবা ফীভম অসিগী মতাংদা মপুং ওইনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম অদু কনাগুম্বা মীওই কাঙলূপ অমত্তগী মায়োক্তা নত্তে। সিক্স সেদ্যুল্ডগী ৱাফম অসি থোইদোক্লা অনৌবা নৎত্রে। তোঙান-তোঙানবা ফুরুপকী লুচিংবশিংনা তোঙান-তোঙানবা থাক্তা ৱাফম অসি মপুং ফানা খন্নবা লৈখ্রে। য়ু সী এমনসু কুমজা ২০১৩ দা সিক্স সেদ্যুল্ডগী মতাংদা নুমিৎ নীনিগী ওইবা পিপলস কনভেন্সন অমা পাঙথোকখি। মীফম অদুদা মণিপুরগী চীংগী শরুকশিংদা সিক্স সেদ্যুল্ড য়ৌহনবগী মায়োক্তা ৱাফম কয়া ফোঙদোক্লরম্বা লৈখি। মীফম অদুদা ৱা ঙাঙখিবা মীওইশিংগী মনুংদা ষ্টেট অসিগী মশক নাইবা ট্রাইবেল লুচিংবা কয়ামরুম য়াওখি। করিসু নৎতবা ৱাফম অমগীদমক খন্থবা তৌদনা ওর্গনাইজেসন অমদা মরাল শীবা হায়বসি নিংবা কায়নিংঙাইনি।

মেমোরেন্দম ওফ অন্দরষ্টেন্দিং সাইন তৌবদা সস্পেন্সন ওফ ওপরেসন (সূ) চৎনরিবা গ্রুপশিং য়াওই হায়খিবা লৈতে হায়না পল্লদুনা চেরোল অসিনা হায়, ৱাফম অসি তোঙানবা ফোরম অমদা পুখৎলম্বা য়াবনি হায়খিবতনি। য়ু সী এমনা হিলস এরিয়াজ কম্মিটি (ঐচ এ সী)গী ওঠোরিটিদা থৌশাদবগী ৱাফম লৈতে। মণিপুর লেজিসলেটিব এসেম্বলিনা পাস তৌখিবা পব্লিক পোলিসি ইকায় খুম্নবগা লোয়ননা থবক্তা ওন্থোক্ত্রিঙৈদা অৱাৎ-অপা হাপতোক-হাপচিন তৌবা য়াগনি হায়বা কম্মেন্ট পীখিবনি।

ট্রাইবেল হায়বনা কনানো অমসুং নন-ট্রাইবেল হায়বনা কনানো হায়না হংলদুনা চেরোল অসিনা হায়, কন্সটিট্যুসননা ট্রাইবেল অমদি নন-ট্রাইবেল খায়দোকখিবনি। কুমজা ১৯৪১গী মমাঙদা চপ মান্ননা লৈমিন্নরম্বা মীওইশিংগী মরক্তা য়ুম্ফম য়াওদবা মওংদা মীশীং য়াম্বা কাঙলূপনা মীশীং য়ামদবা কাঙলূপপু নমথবীরে হায়বা ৱাফম শন্দোক্লোইদবনি। কাঙলূপকী খেন্নবা ৱাফমদা য়ুম্ফম ওইরগা পোলিটিক্স তৌবগী থৌওং অসি মরু ফূক্না মাঙহনখিনবা ঐখোয় মশেল খুৎশম্মনা হোৎনমিন্নবা মথৌ তাই।

চীংগী ওর্গনাইজেসন খরনা মখোয়গী মচিন-মনাও অমদি মচল-মচে কনানো হায়বা কাউথোকখিবগী ...

...মখা লামায় ৩ কলম ৬

ঈ দ্বিজমনি অমসুং কে ভবানন্দ লম্বানরগনি

ঈ দ্বিজমনি (কোংগ্রেস)



কে ভবানন্দ (বি জে পি)

ইম্ফাল, মে ১৯ : রাজ্য সভাদা মণিপুরগী এম পি অমখক্কী ফম মেনশিন্ননবা থা অসিগী ২৫ দা পাঙথোক্কদৌরিবা মরক্কী মীখল অসিদা ইন্দিয়ন নেসনল কোংগ্রেসকী মীরেপ এলাংবম দ্বিজমনি অমসুং ভারতিয়া জনতা পার্টিগী মীরেপ ক্ষেত্রিময়ুম ভবানন্দ লম্বানরগনি।

মীরেপ চে লৌথোকপগী অরোইবা পুংফম ফাওবদা মখোয় অনীমক্না মীরেপ চে লৌথোক্লখিদ্রে। মীরেপ ওইরবা এলাংবম দ্বিজমনি ককচীং দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা হিয়াংলম এসেম্বলি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী মনুংদা লৈবা হিয়াংলম অৱাং লৈকায়দগীনি। ক্ষেত্রিময়ুম ভবানন্দনা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা কৈশাম্পাৎ থোকচোম লৈকায়দগীনি। মীখল মে ২৫ গী অয়ুক্কী পুং ৯ দগী নুংথিলগী পুং ৪ ফাওবা পাঙথোক্কনি। ভোট মশীং মে ২৫ গী নুমিদাংৱাইরম পুং ৫ দগী থিগনি। মীখলগী থবক থৌরম পুম্নমক মে ২৭ কী মমাঙদা লোইশিনগনি হায়রি।

পনবা য়াবদি, হৌজিক হৌজিক লৈরিবা বি জে পিনা লুচিংবা চুংশিন্নবা লৈঙাক অসিদা তৃণমূলদগী মর্জ তৌরকপা অমা থারগা বি জে পিগী এম এল এ ২২, কোংগ্রেসতগী বি জে পিদা চোংশিনখিবা ...

...মখা লামায় ৩ কলম ৬

HL-P/0729/19,20,21,22/05

Visit & Welcome
ENTRY FREE
3rd Gateway Abroad International Education Expo 2017
Spot Admission for MBBS/BDS/MD/MS
At NUPI LAL MEMORIAL COMPLEX
NH39, Sanakhwa Yaima Kollup, Imphal-795001, Manipur
On 20th, 21st & 22nd May, 2017
Organised by : A.S. EDUCATION TRUST & Parents Association of Manipuri International Students
Website : www.ashet.com
Contact : 9856363129

LOAN AVAILABLE

- মথল খুদিংগী অপাম্বা 2, 3 and 4 Wheelers Loan
- Service Loan
- Pension Loan
- Gold Mortgage
- T.V./Laptop Loan
- হায়রিবা শিং অসি অরইবা মওংদা অমসুং খুদক্তা লৌবগী খুদোংচাবা পীজরি।

AREA COVERED:
Imphal East
Imphal West
Bishnupur

IMPHAL FINANCE CO-OP. THRIFT AND CREDIT SOCIETY LTD.
H.O. Lokleobung B.O. Paona International Market & Bishnupur Bazar
Please log on http://www.imphalfinancesociety.in.

HL-P/1593/14 May-14 June